Presto™
PERSONALISED WONDERS
Gift the moment
Personalised gifting & Sport Trophy Mementos Award
MANI TOWER, THANGAL BAZAR, NEAR KASTURI THONG, Ph: 9862108456, 0385 2449825

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

rage
Animated wallpaper
2,349/- only
SOFT TOUCH
ORBIT

দি গ্রেট জুন অপরাইজিং দেগা মরী লৈননা ঙমখৈগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুং অমদি অশোক অপন নংখিবশিংদা য়ুসিএমনা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

থাউ গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা অমুকোগী য়ুনিটি দে থৌরমদা দাইজতা ফম্লিবশিং

১৭ শুবা চহি, ইশু ২৯ www.naharolgithoudang.com ইম্ফাল জুন তাং ১৯, ২০১২ ইং,ইঙাগী ৩০ নি পানবা লৈবাকপোকপা RNI 66117/96 Postal Regd. No. MNP 408 মমলঃ লুপা ৩.০০

জুন ১৮ গী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পালন মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে

অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্ট মীওই খরখক্তীনিঃ কেতি রহম্মন

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জুন ১৮: মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অমসুং মণিপুরগী অপুনবগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বগী অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা ঙসি অমুকোনা য়ুনিটি দে গী থৌরম পালন ইম্ফালগী থাউগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অসিগী মাংওইননা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা য়াম্লবা মীয়াম্না কেক্রুপাৎকী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি।

অমুকোনা শিন্দুনা অথৌবা-অথৌবী কয়ানা ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা হৌখিবা চহিদা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম ঙসি থাউ গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবা ১১ রক শুবা য়ুনিটি দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট কে তি রহমন্না হায়খিবদা, মীওই ১৮ গী থৱায়না পোল্হা পীখিবা নুমিৎতুনা পীরম্বা অশেংবা লম্বী অপুনবা নত্তনা ঐখোয়গী ফ্যুচর লৈতে হায়বদু ঙসিদি তপ্প-তপ্পা চীং-তমগী মীয়াম্না জ্ঞান তারক্লি। হান্নদগী য়ুএনসিনা স্পেসিয়েল এদমিনিষ্ট্রেটিভ এরেঞ্জমেন্ট কাংলুপকী অপিকপা মীৎয়েং থন্ননা মশিং য়ামখ্রবা নাগাশিংগী মনুংদা জেলিয়াংরোংনা দিমোক্রেটিক ওইদে হায়না ৱারৌবা হৌরক্লি। এনএসসিএন (আইএম)দা ৱারৌদবা নাগা লালহৌলুপ লৈশিল্লক্তরে।

নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী লম খোপ্পবা হোৎনরিঙৌদা মশাগী ষ্টেট নাগালেন্দ মনুংদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী শরুক খায়দোক্কে হায়রক্কে হায়রদুনা মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরিবা য়ুএনসি ৱাখল খরা খল্হন্নিংই।

অমুকোনা থাজরিবদি য়ুনিটি হায়বসি মীতৈ খক্তা পুনবা নত্তে। চীং-তম পুনবনি। হন্দক কুকিনা সেপরেট ষ্টেট তানবা লুপ খরখক্কী অপাম্বনি। কুকি মীয়ামগী নত্তে। য়ুএনসিনা পাম্বা মণিপুরগী লৈঙাক্কা শম্নজরোই হায়রিবসিসু মখোয় খরখক্কী ৱানি। হৌজিক নাগা-কুকি- মৈতৈ অমসুং মৈতৈ-পাঙলনা অপুনবা মণিপুর অমা পাম্বগী মীৎয়েং লাংতক্লবা অমা লৈরে হায়বসি অমুকোনা থাজে। মণিপুরগী নাগাবু নাগলেন্দগী নাগানা লমগীদমক হাৎকে-তুপকে তৌবসি ইকায়খুম্ননা লোয়নবা নত্তে হায়বা য়ুএনসিনা কাওরোইদবনি। জুকো তুরেলদগী নাগালেন্দ ঈশিং পীনবা হোৎনরকপদা প্রজা মীয়াম্না য়াখিদবনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী নাগানা নাগালেন্দগী নাগাগা য়ানদবা মরম য়াম্না লৈ। অমরোমদা অমুকোনা জুন ১৮ গী পাউজেল ওইনা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রবা পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাউখৎমিন্নবা, পুন্না থেংনমিন্নসি হায়বসি মণিপুরখক্কী নত্তনা অৱাং-নোংপোক্কী খোল্লাও ওইরবতদা তুংদা লাক্কদবা ইচা-ইশুশিংদা চাওখৎপা লমদম অমা শিন্নরম্লে হায়বসি কাওরোইদবনি।*(মখা লা:৩দা)*

ঐখোয় পুন্না অপুনবগী শক্তম শাগৎমিন্নসিঃ *নবচন্দ্র*

কেক্রুপাৎতা লৈবা ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌব-অথৌবীশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জুন ১৮: হৌখিবা চহিশিংদা পাঙথোকপগুম য়ুসিএম না শিন্দুনা ঙসি দি গ্রেট জুন অপরাইজিং দেগী থৌরম কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী মপান্দা খুন্দারিবা মণিপুরীশিং য়াওনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা জাতি ফুরুপ কয়াগী নাৎকী ওইবা লাইশোল তিনশোলগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না কেক্রুপাৎত লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি।

য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা ঙমখৈগীদমক লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা য়ুসিএমগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথবা য়াওনা মীয়াম্না পুন্না মিনিট অনি তুমিন্না লেপখি। থৌরমদুদা মিনিষ্টর, এমএলএ কয়াসু লাক্তুনা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফমদা য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা হায়খিবদা, ইন্দিয়ানা মণিপুরগী ঙমখৈ তৎতনা থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা থৌওংশিং কন্দেম তৌই। মসিদা লমদম অসিদা চহি কয়াদগী খুন্দামিন্নদুনা লৈমিন্নরক্লবা মীপুম খুদিংমক্লসু অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা পুনশিন্নদুনা অপুনবা মণিপুরগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুরদা চীং অমসুং তমগী চাওখৎপগী থোং মান্নদবা অমদি ধর্ম্মগী ওইবা খেন্নবা কয়ানা মরম ওইরগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লাপথোক্লবা মচাক অমা ওই হায়বসি অহল-লমনশিং অমদি অখঙ-অহৈশিংনা হায়বদগী খঙলে হায়রদুনা মসি কোক্লবা হোৎনমিন্নসি। য়ুসিএম অসি মৈতৈখক্তগী নত্তে। অপুনবা মণিপুর অমগীনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা করিসু অকায়ব লৈতে।

য়ুসিএম লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা খুন্দারিবা জাতি কাংলুপ কয়াগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবগী কেম্পেইন চখদুনা লাক্লি। মখা তানসু চখখিগনি।

লমদম অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না তোকখায় তানিংবগী অমদি নুংশিনদবগী মমি তাদে। কনাগুম্বা লনাই মীওই খরা নত্রগা পোলিটিসিয়ানশিং য়াওনা মশাগী ওইজবা থিবা কাংবুশিংনা অরানবা প্রচার কয়া তৌদুনা চৎনবা য়ারোইদবা ৱাখল্লোন্দা তোকঙা শনে দাক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নবা শিনবনি। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা থৌওং চখদবা চুমগনি হায়খি।

কুকি মাদর এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রোজ মাংসিনা হায়খিবদা, মণিপুরগী ঙমখৈ অসি ঙাকসি হায়বা তারবদি জাতি খুদিংমক্না মাগী মাগী ইন্টরেষ্ট থাদোক্লবা তাই।*(মখা লা:৩দা)*

ঙসিগী ৱাশি ফল

মেষ: মরী-মতা য়াম্বা লুহোংবা নুমিৎ ওই।
বৃষ: ৱাখল শাবা শেল চৎপা নুমিৎ ওই।
মিথুন: মথৌ চিনবা, অনৌবা পোৎচৈ লেপশিনবা নুমিৎনি।
কর্কট: ইমুং -মনুং শান্তি ওইবা, অহাও অথুম চাবা নুমিৎনি।
সিংহ: মরুপ য়াম্বা, মরী মতা থুংলবা ৱাখল চরাংনবা নুমিৎনি।
কৈন্যা: শেল ফংই। তুংবা ঙমদবদগী শাওনিংবা নুমিৎনি।
তুলা: মহৈ তৌনিংদবা মথৌ য়াম্না কান্নফম খঙদবা ওই।
বৃশ্চিক: অনৌবা মরুপ, মরী-মতা য়ুমদা লাকপা ওই।
ধনু: অচৌ-অশাংনা চানবা, মিংচৎ ফংবা নুমিৎনি।
মকর: ৱানোম্বা মায় পাকপা, নুংঙাইবা নুমিৎ ওই।
কুম্ভ: মীগী উপাই তৌবা, শেল চৎপা মরৈ তৌনবা ওই।
মীন: ৱাখল তং তাবা, নুংঙাইবা নুমিৎ ওই।

ইন্দিয়ান ইন্তিলিজেন্সনা ফাদুনা পুখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ য়ু পি পি কে (য়ুনাইটেড পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক) কী জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা মীওই মরি জুন ১৩, য়ুমজকৈশ নুমিৎকী নুংমিদাং পুং ৯ রোম তারকপদা নেপালগী কোনুং কঠমন্দুদগী মখোয়না তোংখিবা অঙাংবা মচুগী জোতে (বি এ-৬-জে এ-৬২৩৩) অসিগা কোন্ননা ইনিদয়ান ইন্তিলিজেন্সকী কাংবুনা ফাদুনা পুখ্রে হায়না আইন্না থিংখ্রবা পার্টি অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

সিঙ্গল সার্কুইট

পাউ চে অসিগী ঙরাংগী ইশুদা ফ্রন্ট পেজদা হেদ্দিংনা "মণিপুরগী মৈ চাদা ৭০ কমদৌনা মাংলিবনো পৱার দিপার্টমেন্টনা সিএম ইবোবীবু লান্না লমজিংলে" হায়বা পাউ অদুগী কলম মরিশুবদা য়াওরিবা পুন্না ২০১০-১১ গী মৈ মাংই হায়রিবসি চাদা ৮৭... হায়বদুগী মহুৎতা মৈ মাংলে হায়রিবসি চাদা ৪৭ অদুগা ৮ শুবা কলমগী লাইন মঙা শুবদা সোর্ট সার্কুইট লাইন হায়রিবা সিঙ্গল সার্কুইট লাইন হায়না পাবীয়ু।

-প্রুফ রিদর

[illegible]

[illegible]

এগ্রি দিপার্টমেন্টতগী শেলগী মতেং লৌখিরোই

-প্রিপাক (প্রো)

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জুন ১৮: প্রিপাক (প্রো)না এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগী শেল থুমগী মতেং লৌরক্তবা য়াম্না কুইরে। মতম খরগী ওইনসু দিপার্টমেন্ট অসিদগী শেল থুমগী ওইবা মতেং লৌরোই। পৱার অমসুং পিঐচইদিসসু পার্টি অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং থম্না হৌরগনি হায়না আইন্না য়াদে হায়না লাওথোকখ্রবা প্রিপাক (প্রো)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সুনিল এমগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরিবা ইরমদম অসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অব্দুল নসিরনা এগ্রিকলচর সেক্টরবু শেমগৎ শাগৎনিংবগী অকনবা ইথিল অমগা লোয়ননা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী অচৌ অশাংশিংবু অরানবা থবক তৌদনবা অকনবা ৱার্নিং অমা পীবসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুবু য়াওল্লোইশিংনা শেল থুম লৌবনা শেমগৎ শাগৎপা ঙমদ্রে হায়বদি য়ারোই। অচৌবা শেলফমদি মন্ত্রি অমসুং ওফিসার খরনা পুন্না মান্নরগা চামিন্নবনি। মসিমক্লা লৌউ শিংউঙী হীরমদা করিমত্তা শেমগৎ শাগৎপা ঙমদ্রিবনি হায়বসি মন্ত্রি নাসিরনা খঙফম থোকই। য়াওল লাম্নীগী অখন্নবা শেল থুমগী মীৎয়েং কন্না দিপার্টমেন্টশিংদা থক্লকপা হৌরকপদি ২০০৫ দগীনি। অদুনা ১৯৪৯ দগী ২০০৫ ফাওবদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ইরমদম অসিদা কদাই ফাওবা লৌউ শিংউঙী পোথোক পুথোকপা ঙমখ্রে। পোৎথোকশিং অদুনা মীপান তাংহন্দবা ঙমখ্রবরা হংবা য়াবা ৱাহং অমা চোংথোরক্লা? ইং১৯৪৯ দগী ইদি দয়ান লৈঙাক ওইনা লৈরকপনা হিংবগী অমদি চাওখৎনবগী মরুওইবা লৌউশিংউঙী পোৎলমশিং মীপান তাংনা লাক্লিবসি চুম্না শেংনা খঙবা মথৌ তাদরা? মন্ত্রিনশিরনা ইদি দয়াগী লৈঙাককী পোলিটিকেল সিষ্টেম অমদা লেপ্পগা করিগুম্বা অফবা থবক থৌওং খরা তৌনিংলিবা, মরুওইনা লৌউ শিংউনা ইরমদম অসিগী শেল থুমগী অমদি চাওখৎ হিরমগী মরুওইবা সেক্টর অমনি হায়না খল্লিবা অসিদি থাগৎনিংঙাইনি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লাইরবা মীয়ামগী অমদি শুজ-নোমজরিবা লৌমী শিন্মীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগাৎহনবদা নত্তনা লৌউ শিংউগী পোথোক মরাং কায়হনবা ঙম্লবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তরে হায়জনিংই। *(মখা লা:৪দা)*

জিরিবাম এগ্রি ওফিস মৈ থারম্লে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ শকখঙদবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট সব-ডিভিজন জিরিবামগী এগ্রিকলচর ওফিস মৈ থারম্লে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১:৩০ রোম তারকপদা মীওই কুনালোম লাক্লগা জিরিবাম কালি নগরদা লৈবা ওফিস অদু মৈ থারম্লনি।

থৌদোক্তুদা মৈনা তুম্লা চারন্থা য়াবা ওফিস অদু মফম অদুগী মীওইশিং অমদি সব-ডিভিজন অসিগী ফয়ার সর্ভিসনা মতম চানা কনবা ঙমহৌরবসু ওফিসকী মরু ওইবা চেচাং অমদি ফর্নিচর আইতেম খরাদি মৈনা চাকখ্রে হায়রি।

ওফিস অসিগী এগ্রিকলচরেল ওফিসর লৈত্রিঙৈ মনুংদা থোকখিববা থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউগী লিখূল অমনদি ওফিসার অদু ওফিসতা মতম চানা লৈতবদগী পেন্নদ্রবা মফম অদুগী জিরিবাম অপুনবা লৌমী মরুপ কী থৌমীশিংনা মৈ থাদোক্লবা হোৎনরম্বা ওহগদ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লরি।

মরকসিদা সব-ডিভিজন অসিগী লৌমীশিংগীদমক মতম মতমগী ওইনা পীরকপা মরু-মরাংশিং ফংলক্তবা মতম কুইরে। লৌমীশিংনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা ৱাকৎকদবা অদুসু ওফিসারশিং অয়াম্বা ওফিস কান্নদবা অদুনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা পেন্নদনা লৈরকপা মতম কুইরে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

পনবা য়াবদি হন্দক্তা জিরিবাম পাঙল তাবীদা লৈবা সব-ডিভিজন অসিগী বি ডি ও ওফিস ক্বার্টর্সু মৈ থারম্বগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

নারোন্দা পট্টা তাশিল্লম্বশিং সরকারনা মিৎয়েং চংবীয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী ডিষ্ক্রোড অমদি নাগা তুরেল অনিগী মরক্তা লৈরিবা একর ৩.৮২ চাওবা ষ্টেট খাসলেন্দ ওইবতা নত্তনা গেজেটতা **'গ্রিন পার্ক'** ওইনা শকখঙলবা মফম অসিদা লনাই মীওই খরানা নারোন্দা পট্টা তাশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা সরকারনা অখন্নবা মিৎয়েং চংবীয়ু হায়না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি নাগারাম কম্যুনিতি হোলদা নাগারাম ভিলেজ ওঠোরিতি, নাগারাম য়ুঠ ক্লব অমদি নাগারাম মৈরা পায়বীগী মীওইশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা উন্নবা অমদা 'গ্রিন পার্ক' কীদমক রিজার্ভ তৌখ্রবা মফম অসি কন্দুনা থম্মিংবগী অপাম্বা ৱাফম অসি ফোংদোক্লরকখিবনি।

নাগারাম য়ুঠ ক্লবকী হান্নগী সেক্রেটরি বেঞ্জামিননা হায়, নাগারাম হায়রিবা খুল অসি ইং ১৯৬০-৬১ মশক খঙলগা লৈরক্লবনি। হৌজিক মীওই খরানা নারোলদা পট্টা তাশিন্দুনা হোৎনরিবা মফম অসি মতমদুদগী হৌনা ষ্টেটকী **'খাসলেন্দ'** ওইনা অদুমক লৈরম্লবনি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স লাকখ্রবা মতুং মফম অসি **গ্রিন পার্ক** অমা ওইনা শেমগৎনবা উ পাম্বীশিং থাবগী থবক হৌখ্রবনি পল্লদুনা মফম *(মখা লা:৪দা)*

কলাম হন্দোকখ্রে, কংগ্রেসনা মমতা বেনর্জি থেম্নবা হোৎনরি

নিউদিল্লি, জুন ১৮: মমতা বেনর্জিনা খ্বাইদগী হেন্না পামজবা মীরেপ এপিজি অব্দুল কলাম্না প্রসিদেন্ট মীখলগী লমজেলদগী খোঙফম হনদাকখিবদা "অচুম্বা খোঙথাংনি" হায়না থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি কঙ্গ্রেসনা ত্রিনামুল কংগ্রেসকি লুচিংবী অসিগী মফমদা য়ুপিএগী মীরেপ প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎনবা ইনৌ নৌনা আপিল অমুক তৌখ্রে।

মমতাবু থেমজিন্নবা হোৎনবগী অতাক-অফোংনরবা খোঙথাং অমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকি লুচিংবী অসিবু "মচিং -মশোন নাইবীনি" অমসুং "জ্ঞান তাদ্রিবা মীশক্নি" হায়না মিংথোল পীখিবা অমদি পার্টিনা মহাকপু খাঙবা ওঙ্গগী পনখৈ ৱাংমা লাল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা কংগ্রেসকি জেনরেল সেক্রেটরি দিগবীজয় সিংহবুশু এআইসিসিনা ৱারকখ্রে।

পার্টিগী মচিন চৎপা মীশক মনিশ টিৱারিনা হায়খি, " দিগবীজয় সিংহগী মফমদা ওফিসিয়েল্লি ওথোরাইজ তৌদুনা পার্টিগী মায়কৈদগী ৱা ঙাংনবা অয়াবা পীখিবা তৌদে।" কলামনা লমজেল অসিদা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখিবা অদুবুশু "অচুম্বা খোঙথাংনি" হায়না কঙ্গ্রেসনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

টিৱারিনা হায়খি, "হান্নগী প্রসিদেন্ট কলাম অসি য়াম্না শক্নাইরবা মীশক অমনি। ঐখোয়না মহাকপু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরি। মশাগী অচুম্বা ৱাখলদা লৌরিবা ৱারেপ অসি তশেংনমক অচুম্বা খোঙথাংনি।"

মমতানা এল্লাইন্সতগী তোকখিবা তারবদি কঙ্গ্রেসনা করম্বা থৌরাং তৌগদগে হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংনরিবা অসি " য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম" ঙাক্তনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, "পার্টিঅসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং ত্রিনামুল কঙ্গ্রেসকি লুচিংবী অসিবু প্রনাব মুখর্জীগী মীরেপ্তা শৌগৎহনবা পাম্মী।"

প্রনাব মুখর্জিনা ত্রিনামুল কঙ্গ্রেসকি লুচিংবী অসিবু মশামক্কী মচুপীগুম্না খল্লি অমসুং প্রসিদেন্টকি মীখল অসিদা মহাক্কী মফমদা ভোট পীনবা মরম্নাই ওইনা আপিল তৌখ্রে হায়নসু টিৱারিনা ফোঙদোকখ্রে। *(মখা লা:৪দা)*

মমা ওইবীশিংনা পুক্নিং থৌগৎপা চংই

- *এন বিরেন*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ একাদমিক পার্ফোর্মেন্স ফগাৎহন্দুনা অফবা তিঙ্ঙং কাইজংদবা মহৈরোই পুথোক্লবা পান দমদা হৌখিবা চহি কয়াদগী চথরকপগুম চহি অসিদসু নোর্থ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নিদস্‌), লুৱাংশংবম মখা লৈকাইনা শিন্দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা ফর্ষ্ট দিভিজনদা লাকখ্রবা লুৱাংশংবম ভিলেজগী মহৈরোইশিং ওকখ্রে। থৌরমদুদা অফবা মহৈরোই পুথোকসি হায়রবদি মহৈরোইদু মশা মউ ফহনবগা লোয়ননা মশাশিংগীদমক হোৎনরিবা মমা ওইবীশিংসু পুক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই হায়না হৈঙাং এসিগী এম এল এ এন বিরেন সিংহনা হায়খ্রে।

নিদসুগী প্রসিদেন্ট এনজি ওপেন্দ্রো সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাংথোকখিবা থৌরমদুগী চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা এম এল এ বিরেননা মখা তানা হায়খিবদা মালেমদা এদুকেসনগী লমজেল তান্নরক্লবা মতমদা মতম অমদা ফরম্বা লুৱাংশংবম য়াওরক্তবসি লাইবক থিবনি। মমাংঙৈদা শান্ন-খোৎনবা লাইরিক লাইশু য়াওনা হিরম কয়াদা শরুক য়ারম্বা লুৱাংশংবমনা হন্দক চহি খরসিদা শান্ন-খোৎনবা, লাইরিক লাইশুদা শোথরকপসি নৈনেনিংঙাইনি। তশেংনমক্ত ওইরক্লিবা শক্তমশিং অসি এদুকেসন গেপ লৈবদগীনি। ঐখোয়না এদুকেসনগী অশেংবা মীনিং খংলম্লবদি অফবা মহৈরোই কয়ান আই এ এস/ এম সি এস ফাওদুনা সেক্রেটরিয়েট কুম্বদা লৈরমগদবনি।*(মখা লা:৪দা)*

নোর্থ ইষ্টতা মণিপুরনা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈরোই তম্বগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি

- *রিপোর্ট*

মপুং ফাবা ষ্টাফ অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবনা মহৈরোই লৈরক্তবা ক্বাথা গর্ভর্নমেন্ট জুনিয়র হায়স্কুল

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জুন ১৮: ভারতগী নোর্থইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেট নিপালগী মনুংদা মণিপুরনা সরকারগী স্কুলদগী প্রাইভেট স্কুলদনা হেন্না মহৈরোই তম্বগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। ষ্টেট অসিগী ওইনা সরকারগী স্কুলদা মহৈরোইগী চাদা ১৫.১ অদুগা প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোইগী চাদা ৪৮.৮না শেল পীরগা অহেনবা ট্যুসন ক্লাসগীদমক চৎলি।

এন্যুৱেল ষ্টেটস ওফ এডুকেসন রিপোর্ট (রুরেল)গী রিপোর্টকী মতুংইন্না নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট নিপাল অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরাগী ওইবা রিপোর্ট অদুদা মণিপুর অমদি মেঘালয়া নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিংদি প্রাইভেট স্কুলদগী সরকারগী স্কুলদনা হেন্না মহৈরোই তম্বগী রিপোর্ট লৈ।

মেঘালয়াদগীসু মণিপুরদনা হেন্না প্রাইভেট স্কুলদা মহৈরোই মশীং হেন্না তম্বগী চাং হেনলি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না চহি মঙাগী অঙাংশিংগী মনুংদা অঙ্গলৱাদি নত্রগা বালৱাদি চৎপগী চাং অসি চাদা ৭ নি, লৱার নত্রগা অপ্পর কেজি তম্বা মহৈরোইগী চাংনা চাদা ৫২ নি। চহি কাংলুপ অসিনা সরকারগী স্কুলদা তম্বগী চাংনা চাদা ১২.৩ অদুগা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বগী চাংনা চাদা ২৭.৮ ওইরি।

চহি তরুক্কী অঙাংশিংগী মনুংদা চাদা ১.৬ না অঙ্গলৱাদি নত্রগা বালৱাদিদা মহৈ তম্বা চৎলি। চাদা ২৬.৫ না লৱার নত্রগা অপ্পর কেজি তম্বা চৎলি। চহি কাংলুপ অসিদা সরকারগী স্কুলদা তম্বগী চাংনা চাদা ২২.৮ অদুগা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বগী চাংনা চাদা ৪৮.৪ ওইরি।

চহি ৬ তগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চাদা ২৭.৭না সরকারগী স্কুলদা তম্রি অদুগা চাদা ৭১.১ না প্রাইভেট স্কুলদা তম্রি হায়না রিপোর্ট তৌরি। চহি ৭তগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চাদা ২৬.৯ না সরকারগী স্কুলদা অদুগা চাদা ৭১ না প্রাইভেট স্কুলদা তম্রি।

চহি ৭ তগী ১০ ফাওবগী মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চাদা ২৯.৫না সরকারগী স্কুলদা তম্রি অদুগা চাদা ৬৯.৭ না প্রাইভেট স্কুলদা তম্রি। চহি ১১ দগী ১৪ ফাওবগী কাংলুপতা লৈবা মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচা চাদা ২৪.৮ না সরকারগী স্কুলদা অদুগা চাদা ৭৩.৫না প্রাইভেট স্কুলদা তম্রি। মসিগা লোয়ননা চহি ১৫ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোই নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চাদা ২৩.৩না সরকারগী স্কুলদা *(মখা লা:৪দা)*

ফমুং ১০০ লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অৱাৎপনা থল্লে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১৮ঃ মমাং চহি ২০১১ গী দিসেম্বর ২৪ দা চিফ মিনিষ্টর, ও ইবোবী অমদি মতমদুগী হেল্থ মিনিষ্টর, এল জয়েন্তকুমার, অনিনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরম্লবা, ফমুং ১০০ লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী মতাংদা প্রজাশিংগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী পাউমীশিংনা হোস্পিটাল অসিদা হকথেংননা চত্তনা য়েংশিল্লবদা, শঙ্গাবদা ঙাইরিবা হোস্পিটাল অসি অমোৎ-অকাই কয়ানা পীক থল্লম্বগা লোয়ননা লৈফম থোকপা খুজ-খুৎলায় ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎলম্বসু থেংনরে।

হৌজিক হৌজিক কাল্লেম্নগী মতম ওইবদগী লায়না কয়া খঙহৌদনা শন্দোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংনা লৈরিবা মতম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী ফিভম কয়া অসি মফম অসিদা অনাবা লায়েংবা লাকপদা প্রজাশিংনা মীপায়বা ফাওনরে। হোস্পিটাল অসিগী টোইলেটতগী থোক্লকপা মনম-মহা কয়া অদু খাংবা ঙম্নদবদগী অনাবা কয়া হোস্পিটালগী কোরিদোরদা ওইনা লায়েং চথরম্বা পাউমীশিংনা হকথেংননা থেংনরকখি। হোস্পিটাল অসি য়েংশিনবিনবা অমদি মপিমপা লৈতবগী মওংদা হন্না য়েংবিদবদগী কা হেন্না ফিভম শোকচিনখিবনি" হায়না অনাবগী শেবারি অমনা পেন্দবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরকখি। *(মখা লা:৪দা)*

হৰাদো লৈরাংদো


মন্ত্রিগা ওইনিংদ্রা মোই বাজি?
ওইনিংই। অদুদা লন-থুম লাওথোক্লিংঙাই লৈতে চোপনি মমা।

মনুং লমায়দা হীদাক চঙদবা টি বী লায়েংনবা দোট প্লাস সাইট লোইশিংসি (এদিটোরিয়েল), খঙজিনবদা কান্নবা, মপানগী পাউ, লৈবাক্কী পাউ, থৌদাং স্পোর্টস, ষ্টেটকী পাউ